# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সি.এম.ঐচ.টিগী মখাদা অনাবা মখল খরগী নত্তনা হান্না লন্নাই হোস্পিতালশিংদা পীরম্বা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং হয়েংদগী পীররোই হায়রি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৪ শুবা তাঙ্কক ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৩) কাশ্মীরগী কুলগাম জিলাগী মনুং চনবা অদিগম খুলদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা তেরোরিষ্ট অনি শিরে।

------

সিএমঐচটি (এল)ঃ চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সি.এম.ঐচ.টি)গী মখাদা অনাবা মখল খরগী নত্তনা হান্না লন্নাই হোস্পিতালশিংদা পীরম্বা লায়েংবগী খুদোংচাবশিং হয়েংদগী পীররোই হায়রি।

মণিপুর সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল বিভাগকী জোইন্ট সেক্রেটরি ডাঃ য়ুমাম শুরজনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়- মমাং থাগী ৩০ দা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দল মীফমনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না সি.এম.ঐচ.টি স্কিমগী চৎন কাংলোনশিং নৌহৌননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা

স্কিম অসিগী মখাদা হান্না লনাই হোস্পিতালশিংদা পীরম্বা অনা লায়েংবগী খুদোংচাবশিং হয়েংদগী পীররোই। অদুমকপু দাইলাইসিস, রিনাল ত্রান্সপ্লান্ট, কার্দিওলোজি, কেন্সর, ন্যুরোলোজি অমসুং ন্যুরো সরজরিগা মরী লৈনবা অনাবশিংগী ওইনদি মখা তানা স্কিম অসিগী মখাদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীখিগনি হায়রি।

হার্ট ডে (এল)ঃ ঙসি অসি ৱার্ল্ড হার্ট ডেনি। নুমিৎ অসি ষ্টেট এন.সি.দিভিজন, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা নেসনেল প্রোগ্রাম ওফ প্রিভেন্সন ওফ দিফনেসকা খুৎশমরগা লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লেবোরেটরি টেষ্ট, ই.সি.জি. লৌদুনা অনা লায়েংবা, য়ুজ হার্ট ফোর এক্সন অমসুং ইন্তরনেসনেল ৱিক ওফ দ দিফ পিপল হায়বা থিমগী মখাদা মহেরোইশিংগী লাহয়েকপা চাংদমবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

এআর (এল) ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা হিন্দি দিবসকী থৌরম অমা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী হেদক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা হিন্দি নিবন লেখন, হিন্দি টাইপিং, হিন্দি কবিতা পথ অমসুং হিন্দি ভাসনগী মতাংদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা পান্দমদা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হত্তা অমসুং দ্যুলালেন্দদা ফোগ্গিং কাপথোকখ্রে।

ত্রাফিক (এল) ঃ হয়েং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য থাক্কী ইরাবত ডে থৌরমগা মরী লৈননা থৌরমগা মরী লৈননা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

এস.পি. ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংনা থোকপা চরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুর এসেমব্লি গেট নম্বর-ৱানদগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙ ক্রোসিং তাবা

লম্বী অমসুং থাংমৈবন্দ ৱাথম লৈরক্কী নোংপোক থংবা শরুক্তগী লিলা সিংহ খোংনাংখোঙ ফাওবগী লম্বী অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী হৌরগা থৌরম লোইদ্রিবা ফাওবা থিংলগনি । অদুমওইনমক, লম্বীশিং অসিগী অৱাং থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তদি অথিংবা অসি লৈরোই।

এগ্রি (এল) ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা কুমশি চহিগী লৌ উবা ঙমহৌদ্রবা লৌমীশিংগী য়েংলগা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না বিভাগ অসিনা খঙহল্লক্লি।

লৌউ শিংউ বিভাগকা দাইরেক্তর এন. গোজেন্দ্রোনা থোকপা চেরোল অমা হায়- সরকারনা পীগদৌরিবা তেংবাং শেল অসিগী কান্নবা লৌনিংবা লৌমীশিংনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা ৱেব সাইট- ফারমর কম্পেন্সেসন দোট ইনগী খুত্থাংদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। লৌমীশিংনা মখোয়গী আধার কার্দকা লিঙ্ক তৌরবা মোবাইল নম্বরশিংগী খুত্থাংদগী দরখাষ্ট থারক্কদবনি। দরখাষ্ট পীশিল্লকপা মতমদা আধার কার্দ, বেঙ্ক পাসবুক অমদি পত্তানচিংবা দোকুমেন্টশিং লোয়নরক্কদবনি। দরখাষ্ট পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ১৫ নি।

থাং তা (এল) ঃ অনিসুবা রাজ্য থাক্কী থাং-তা লল্লোং য়েনদমবা তুরনামেন্ট অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই পুথিবা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা কম্মুনিতি হোলদা ঙসিদগী পাঙথোক্লগনি। পিপলস দিভলপমেন্ট সোসাইতি নিউ চেক্কোন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা তুরনামেন্ট অসি নুমিৎ নিনি চথগনি।

মনকি বাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৪ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। মসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

জেকে ঃ   কাশ্মীরগী কুলগাম জিলাগী মনুং চনবা অদিগম খুলদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা তেরোরিষ্ট অনি শিরে। হায়রিবা মফম অদুদা তেরোরিষ্ট খরা লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চৎখি। হান্না মফম অদুদা লুমদুনা লৈরম্বা তেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সেক্যুরিতি কাংবুনসু খুৎ হনখি। মদুদা তেরোরিষ্ট অনি অদু শিখিবনি। মখোয়দগী এ.কে. রাইফল অনি, নোংমৈ মরুনচিংবা খুৎলায়শিং ফংবা ঙমখি।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাষ্ট্রদা লুপা কোতি লিশিং ১১,২০০ রোম চংনা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাগনি, খরনা যাত্রা হুনগনি হায়রি।

শ্রী মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১,৮০০ হেন্না চংনা পায়খৎখিবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতগী স্বাগতে ফাওবগী মেত্রো রেল সেক্সন শঙ্গাগনি। মহাকা  লুপা কোতি লিশিং ২,৯০০ হেন্না চংনা শেমগৎকদবা পুনে মেত্রো ফেজ ৱানগী স্বাগতেদগী কত্রাজ ফাওবগী রেল লম্বী শেমগৎনবা যাত্রা হুনগনি।

নেসনেল ইন্দষ্ট্রিয়েল কোরিদোর দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ছত্রপতি সম্বাজিনাগরদা শেমগৎখিবা বিরকিন ইন্দষ্ট্রিয়েল এরিয়া শ্রী মোদিনা মীয়ামদা খুৎশন্নগনি। প্রধান মন্ত্রিনা সোলাহ্পুর এয়ারপোর্টসু শঙ্গাগনি হায়রি।

রিজিজ্ ঃ  কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়রি- ইন্দিয়া-জপান পার্টনরসিপনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি।

গুৱাহাতিগী কতন য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকপা অহুমসুবা ইন্দিয়া-জপান ইজ্কেসন কনক্লেভতা শরুক য়ারদুনা শ্রী রিজিজ্না হায়- জপানগী লোল তম্বা অমদি মখোয়গী কলা সংস্কৃতিগী মরমদা নিংথিনা খঙবা অসিনা মফম অসিদা লৈরিবা নহা কয়াগী পুন্সিদা অহোংবা পুরকপদা কান্নবা পীগনি। লৈবাক অনি

অসিনা শিক্ষা, লল্লোন ঈতিক অমসুং কলা সংস্কৃতিগী মরমদা হেন্না অফবা মরী থমদুনা লমশিং অসিগী মতাংদা হেন্না চাওখৎপা পুরকবগী তঙাহৎফদবশিং অদুসু থৌরমদুদা ফোংদোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এস.এস.সি (জি.দি)গী রিক্রুটমেন্ট য়াওবা চৎখিবা নহা অহুম মাংখিবগী মনুংদা অমা কনবা ঙমখিবগী পাউ, কুকি অমসুং মীতৈ ফুরুপকী লুচিংবশিংগা সেন্তরগা ৱারী শান্ননবা হোৎনরি হায়বা পাউ অমদি জিরিবামদা কুকি তেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সনালৈবাক্তা- রিক্রুটমেন্ট য়াওবা চৎপদা কুকিনা ফাখিবা অহুমগী মনুংদা অমা কলহৌরে, অনি থিবা খঙদ্রি হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা কুকি তেরোরিষ্টশিংনা ফাজিল্লিবা নহা অনি থাদোকনবা লৈঙাক্তা কন্দিসন খরা থল্লকপ্রা হংনরি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনবা উরে।

লৈঙাক শৌগৎপা তোকপা তোক্তবগী মতাংদা এন.পি.পি মনুংদা ময়ি চৎলে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- সেন্তরনা মৈতৈ অমসুং কুকিগী মরক্তা অথুবদা ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- জ্দিসিয়েল ওফিসার, এদভোকেটশিংগী ট্রেনিং হৌখ্রে, লোক অদালটকী খুখাংদা ৱারোইশিন পুরকপনা তুং কোইনা নুংঙাইনদবা লৈহনদে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- মার্জর এগ্রিমেন্টকী আর্তিকল ৮ দা য়াওরিবা স্পেসিয়েল প্রোভিজন মীয়ামা হঙ্গৎনা য়েংবা মতম ওইরে হায়না মন্ত্রি

গোবিনদাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। সরকারদগী ৱিথদ্রো তৌবগী খন্নখিবা লৈতে, লৈরিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবগী মতাংদদি খন্নখি, এন.পি.পিনা এন.দি.এগা চৎমিন্নরগা করমা ৱিথদ্রো তৌগদৌরিবনো হায়না দল অসিগী এম.এল.এ খরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

নহারোলগী থৌদাংদা- ৱার ইসু লৈতবা, হৌরকফমসু খঙদবশিংনা মীতৈগী পুৱারী মাংহন্নবা হোৎনরক্লিবসি থেংনবা তাই হায়না মন্ত্রি গোবিনদাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলক্লি, চেকশিন থৌরাংসু কনখৎলি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- ম্যান্মারগী জন্তানা শান্তিগী ৱারী শান্নবা ফোংদোরকখিবা ৱাফম আর্মদ গ্রুপশিংনা য়াখিদ্রে হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- জিরিবামগী লানফম, কুকি তেরোরিষ্টশিংনা মোংবুং খুলদা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মীতৈ-মৈতৈবু এস.টি লিষ্টতা চলহনবদা মতেং পাংবীনবা আর.এস.এসতা হায়জখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- পঞ্চায়ট অমসুং পরিষদ কমিতিশিং সস্পেন্দ তৌদনবা কোর্টনা সরকারদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না নুপীশিং হেন্না শক্তি পীননবা ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা সেন্তরনা কুকি অমসুং মৈতৈ ফুরুপকী লুচিংবশিং ৱারী শানবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------